**FYUG Odd Semester Exam., 2023**

**( Held in 2024 )**

# MANIPURI

**( 1st Semester )**

Course No. : MANDSC–102T

**( Pre-War Manipuri Poetry )**

*Full Marks* : 70

*Pass Marks* : 28

*Time* : 3 hours

*The figures in the margin indicate full marks for the questions*

## SECTION—A

Answer *ten* questions, taking any *two* from each Unit : 2×10=20

### UNIT—I

১। এলেজি (Elegy) কদাইবু কৌবগে? মণিপুরী এলেজি শৈরেং অমগী মমিং ইয়ু।

২। অনীশুবা লাঞ্জাউ মমাঙগী মণিপুরী শৈরেংগী হীরম (theme) অনীদং ইয়ু।

৩। কবি চাউবনা ইরম্বা ঈশ্বরগা মরী লৈনবা (mysticism) শৈরেং অনীদু করি-করিনো?

UNIT—II

৪। কবি কমলনা করম্না তুরেলবু ফম্ভ গঙ্গাগা চাংদম্নরগে? করিগীদমক্তা চাংদম্নরিবনো?

৫। “কনানো শকহেনবা মীগী তোর্ব্বান্দা লেপ্পুনা”

‘শকহেনবা’ হায়রিবসি কনানো? ‘মীগী তোর্ব্বান্দ’ হায়বসিনা করি খঙহনবগে?

৬। “চেক্লা কাইদোংফম পীনখি।”

চেক্লাসি করম্না চেক্লানো? কনানা কাইদোংফম পীখিবগে?

UNIT—III

৭। “লাংগী লাংলৌ কায়রসি”—‘লাংগী লাংলৌ’ হায়রিবসি করিনো? করিগীদমক্তা লাংগী লাংলৌ কায়রসি হায়রিবনো?

৮। “তাউজিং মাগী মহৈদো নঙনা চাগে খনবরা?” ‘তাউজিং’ হায়বসিনা করি খঙহনবগে? ‘নঙ’ অসিনা কনানো?

৯। ‘মিংচৎ থিবা’ শৈরেংদা কবিনা মিংচৎপু কদাই-কদাইদা থিখিবগে?

UNIT—IV

১০। “শুকমৃৎ মৃৎলু য়ারমদে হেল্লি থোইনা লংবনা।” ‘মৃৎলু’ য়াদ্রিবসি করিনো? করিনা মসিবু মৃথৎকে হোৎনবগে?

১১। কদেংনা শাখিবা থাংগী নাকল অনীদা কনা-কনাগী শক্তম য়েকপগে ?

১২। 'নিংথৌ মনাই ইপুথোই' হায়রিবসি কনা-কনানো ?

## UNIT—V

১৩। 'রাজনীতিগী থাঙশাং' হায়বসি করিনো ? থাঙশাং অসিনা জয় তৌবা ঙমদবসি করিনো ?

১৪। "হোৎনরি সভ্যতা শেমগৎপা"

কনানো সভ্যতা শেমগৎপা হোৎনরিবসি ? মহাক্না করম্বা ৱাখল থম্মোয়দা কোন্দুনা সভ্যতা শেমগৎপগে ?

১৫। 'পলেম-লায়েক-তরেৎনু'—পলেমসি কনানো ? 'লায়েক তরেৎনু' হায়বসিনা করি খঙহনবগে ?

## SECTION—B

Answer *five* questions, taking *one* from each Unit :

10×5=50

## UNIT—I

১৬। শৈরেংগী মরমদা অখঙ-অহৈশিংনা পীরম্বা তোঙান-তোঙানবা শক্তাক ৱারোল (definition)শিংদু শন্দোক্না ইয়ু। ১০

১৭। "অনীশুবা লাঞ্জাউ মমাঙগী মণিপুরী শৈরেংগী খোঙচৎতা কবি লমাবম কমলনা ফিদা চাউনা কল্লি।" ৱাফমসি কদাইফাওবা চুম্বগে মরিক চুম্না ইয়ু। ১০

## UNIT—II

১৮। ‘‘কাঞ্চিপুরগী অৱাবা পাউবু পুখিদুনা,
অহিং নুংথিল নাইদনা,
চেন্থরি অমম্বা-সমক্র তম্না।’’

‘কাঞ্চিপুরগী অৱাবা পাউ’ হায়বসিনা করি খঙহনবগে? ‘অমম্বা-সমক্র তম্না চেন্থরি’ হায়বসিগী নুংগী ৱাহন্থোক্তু শন্দোক্লা ইয়ু। ৩+৭=১০

১৯। কবি খ্বাঃ চাউবাদি মিস্তিক কবি (mystic poet) অমনি হায়বসি ‘লমগী চেক্লা অমদা’ শৈরেংদগী খূদম পীদুনা ইয়ু। ১০

## UNIT—III

২০। কবি ফুলোদি বরাক তম্পাক্তা মমারোল অমসুং মজাতিবু নুংশিবগী য়াকাইরোল শকখিবা কবিনি হায়বসি ‘য়াকাইরোল’ শৈরেংদগী খূদম পীদুনা শন্দোক্লা ইয়ু। ১০

২১। ‘মিংচৎ থিবা’ শৈরেংদা হিজম অঙাংহলনা মিংচৎসি কমদৌনা ফংই হায়না শৈথাবগে? মরিক চুম্না ইয়ু। ১০

## UNIT—IV

২২। ‘‘বিশ্ব তাইবংপানবনা কপ্পা কপ্পা লোইখিনি।
নুংদা ইবা ঐখোয়না নোক্লা নোক্লা লৈহৌনি।’’

‘বিশ্ব তাইবংপানবনা কপ্পা কপ্পা লোইখিনি’ হায়রিবা করিগীনো? অদুগা নুংদা ইবনা করম্না নোক্লা-নোক্লা লৈহৌগদৌরিবনো? শন্দোক্লা ইয়ু। ১০

২৩। “লমদা লৈবা কৈঞ্জেংলাং
য়োৎ-হিং পোলাং হাপ্পগুম
পাখং পান্দম ওইখরে।”

‘লমদা লৈবা কৈঞ্জেংলাং’ হায়রিবসি কনানো? করিগীদমক্তা মহাকপু য়োৎ-হিং পোলাং হাপ্পগা চাংদম্নরিবনো? শন্দোক্লা ইয়ু। ১+৯=১০

## UNIT—V

২৪। “অদুনা বসন্ত ঐগী বাঁশীনা
লাঙতক্লরি নুমিৎচৃপ্পা ঈশৈগী তৃফাং খপ্পুনা—”

‘বসন্তগী বাঁশী’ হায়বসিগী ৱাহম্বোক করিনো? করিগীদমক্তা বসন্তগী বাঁশীনা ঈশৈগী তৃফাং খপ্পুনা নুমিৎচৃপ্পা লাঙতক্লরিবনো? শন্দোক্লা ইয়ু। ২+৮=১০

২৫। “য়াম্বা চৈজিংবা– শৈরাং খুমাবা!
মালংনিঙ্ঙাই ওইদবরা
নোঙ্গুম্লকখোদা!”

‘য়াম্বা চৈজিংবা শৈরাং খুমাবা’ হায়রিবসি কনানো? করিগীদমক্তা শৈরাং খুমাবা মহাকপু নোঙ্গুম্লকখো হায়না শৈথারিবনো? মরিক চুম্না ইয়ু। ২+৮=১০

★★★